খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস

# মার্টিনানা ৱেথলিফটিংদা নেসনল রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড লৌখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): হরয়ানাগী পঞ্চকুলাদা চত্থরিবা ৪শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসকী ৱেথ লিফটিং মশান্নদা ঙসি ষ্টেটকী শান্নরোয় এম মার্টিনানা নুপীগী কেজি৮১ মথক্কী কাঙলূপ্তা নেসনল রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

মহাক্না স্নেটচতা কেজি ৮১ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১০৫ পূন্না কেজি ১৮৬ থাঙ্গৎতুনা নেসনল রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

মহাক্কী গোল্ড মেদল অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা থাঙ-তাদা গোল্ড ৯, সাইক্লিংদা ১ অমদি অতোপ্পা ইভেন্টতা ২ পূন্না গোল্ড মেদল ১৩ অদুগা থাঙ-তাদা সিলভর মেদল ২ অমদি অতোপ্পা ইভেন্টতা ১ পূন্না সিলভর ৩ অমসুং ৱেষ্টলিং অমদি ৱেথলিফটিং মশান্নদা ব্রোঞ্জ মেদল ২ পূন্না মেদল ১৬ ফংদুনা মেদল টেলিগী অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

গেমস অসিদা হরয়ানানা গোল্ড ৩০, সিলভর ২৭ অমদি ব্রোঞ্জ ৩৫ পূন্না মেদল ৯২ ফংদুনা টেবলগী অহানবদা অদুগা মহারাষ্ট্রনা গোল্ড ২৯, সিলভর ২৬, ব্রোঞ্জ ২২ পূন্না মেদল ৭৭ ফংদুনা টেবলগী অনীশুবা মফমদা লৈরি।

এম এন সী এ এলিট

# ব্লু হোকনা দব্লিয়ু ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চত্থরিবা ৬শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদ অমদি দব্লিয়ু রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ব্লু হোক খুরাই লম্লোংনা দব্লিয়ু ৱাই সী থৌবাল ৱাংখেমবু রন ১০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ব্লু হোককী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ৪ শান্নবদা ৩ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা নেট রন রেটতা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। দব্লিয়ু ৱাই সীনা পূন্না মেটচ ৩ শান্নখিবদা অহুম্মক মায়থীদুনা টেবলগী অরোইবা মফমদা লৈরি।

ব্লু হোক টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভর লোইগদবা ওভর ৬.৪ ৱাৎলিঙৈদা ওল আউট ওইদুনা রন ৯২ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা খুরাইগী বেটসমেন সনাতোম্বনা বোল ১৯দা রন ২৩, বেকর রোইনা বোল ২০দা রন ১৭, নিংঙোম্বম জেকিচান্দনা বোল ১৬তা রন ১৪ অমদি ৱাকম্বম সেমসননা বোল ৩২দা রন ১৩ লৌবা ঙমখি। দব্লিয়ু ৱাই সীগী বোলর ৱাংখেম লক্ষমোননা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৫ অদুগা হুইরোংবম বিতেশ্বরনা ওভর ৭.২ লংবদা ৱিকেট ৪ অদুগা খুন্দ্রাকপম জেমসনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখিবনি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা দব্লিয়ু ৱাই সীগী বেটসমেনশিংবু খুরাইগী বোলরনা ওভর ২৭.৪দা ৱিকেট লোইনা লৌদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ৮২ লৌদুনা ব্লু হোককী মখূৎতা রন ১০দা মায়থীবা নংখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা থৌবালগী বেটসমেন প্রিয়োবর্তা মোইরাংথেমনা বোল ৩৩দা রন ২২, ৱাংখেম শমুঙৌনা বোল ৫৫দা রন ২০ অমদি ৱাংখেম লক্ষমোননা বোল ৩১দা রন ১২ লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা ব্লু হোককী শান্নরোয় গৌতম সৌবামনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিং তৌবদা ওভর ৪.৪দা ৱিকেট ৬ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা গ্রুপ এগী ট্রাও ক্বাকৈথেল অমদি পি টি আর সী পাৎসোই পার্ট-৪ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# ষ্টেটকী নুপী ফুটবোল্লর ৮ নেসনল টিম কোচিং য়াওনবা খল্লক্লে



ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ষ্টেট অসিগী সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল্লর ৮বু থা অসিগী ১৩দগী ১৯ ফাওবা পুনেদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল সিনিয়র ৱিমেন্স টিমগী কোচিং কেম্পগীদমক খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা নেসনল কেম্পকী মখা চত্থরকপা ওইনা শান্নরোয়শিংনা স্বিদেনদা থা অসিগী ২০দগী ২৯ ফাওবা ফ্রেন্দলি মেটচশিং শান্নগনি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি মাইবম লিন্থোইঙম্বী, ঙাংবম স্বিতি, সোরোখাইবম রঞ্জনা চনু, গ্রেস দাংমৈ, রতনবালা নোংমাইথেম, প্রিয়াঙ্কা নাওরেম, কাশ্মীনা অমদি মার্টিনা থোকচোমনি।

# মোইরাংথেম রবিচন্দ্র তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): স্বিটজরলেন্দদা হন্দক্তগী পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ হোক্কী ৫এস লোজেন টুর্নামেন্টকী অহানবা এদিসনদা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমনা ৱিন্নর ওইদুনা পুৱারী শেমখিবা অসিদা ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াখিবা মোইরাংথেম রবিচন্দ্রনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মণিপুর হোক্কীগী ওফিসলশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী অমদি হোক্কী মশান্নবু পামজবশিংগী চাওথোকচনিংঙাই ওইরবা মীৎকুপ অমনি ফোঙদোক্ল খিবগা লোয়ননা ওকপগী থৌরম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমগা লোয়ননা মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট খোইরোম লোয়ালাকপা য়াওনা এগজিক্যুটিভ বোর্দ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, মোইরাংথেম রবিচন্দ্র মোইরাং থোয়াদগী লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম নিমাই অমদি মোইরাংথেম ওংবী ভৈগ্যবতিগী মচা ৪গী মনুংদা ইতোন তোনবা মচানুপানি।

মহাক্না শান্নবা হৌরকপদগী ২০১৬তা ধাকাদা পাঙথোকখিবা অন্দর-১৮ এসিয়া কপ অমদি ২০১৮দা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংদা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখিবনি। ২০১৮দা অর্জেন্টিনাদা পাঙথোকখিবা সম্মর য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতসু সিলভর মেদল অমদি অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিংদসু মেদলশিং ফংবা ঙমখিবনি।

# পোষ্টরিয়র হোক্কীগী কোচিং মখা চত্থরগনি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদগী ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট, এসিয়ন গোল্ড মেদলিষ্ট, জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ গোল্ড মেদলিষ্ট য়াওনা ইন্টরনেসনল অমদি নেসনল প্লেয়র কয়া পুথোক্তুনা লাক্লবা পোষ্টরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুরনা শীন্দুনা গ্রাসরুট অমদি অন্দর-১৪গী ওইবা কোচিং প্রোগ্রাম কোভিদ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা লেপ্পুরবা কোচিং প্রোগ্রাম অমুক হন্না থা অসিগী ১৪দগী হৌদুনা খুমন লম্পাক এষ্ট্রো হোক্কী ষ্টেদিয়মদা মখা চত্থরগনি হায়না একাদেমিগী জেনরেল সেক্রেটরি এন রামেশ্বর মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা মতম চানা লাক্তুনা য়াওরনবা অমদি নৌনা য়াওনিংবা শান্নরোয়শিংনা মশা-মশাগী পাসপোর্ট ফোটো ৩/৩ অমদি আধার জেরোক্স কোপী অমমম্গা লোয়ননা পোষ্টরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুরগী ওফিসলশিংদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৮৯৭৪৭৭৭৫১৬ নৎত্রগা ৯৭৭৪৪৮৪৮৫০দা পাউ ফাওরক্তুনা খঙলবা য়াগনি।

কোচিং প্রোগ্রাম অসি অয়ূক পুং ৫দগী হৌদুনা পুং ৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

২শুবা ভেটরান ফুটবোল

# সেমীফাইনেল মেটচশিংগী শেম-শাবা লোইখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): জাশা য়ুঠনা শীন্দুনা চান্দেল মিনি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা চহী ৩৫ মথক্কী ওইবা অনীশুবা ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা চাংনে ভেটরান অমদি লমকাং ব্রদর্স এফ সী মায় পাকখিবগা লোয়ননা টিম ৪না সেমীফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

চাংনে ভেটরাননা এস এস মোরিংগা অহানবা সেমীফাইনেলদা অদুগা লমকাং ব্রদর্স এফ সীনা স্লম্বর বুট এফ সীগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা থা অসিগী ১১গী অয়ূকপুং ১১ অমদি নুংথিল পুং ২দা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাংনে ভেটরাননা চকপী ভেটরান এফ সীবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

চাংনে ভেটরানগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কোন্থাংনা শান্নবগী ২৩ অমদি ৩৩ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা ফমশিননা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখি। চকপী ভেটরানগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লুথারসননা শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা লমকাং ব্রসর্দ এফ সীনা ন্যু ৱাংপরেল এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লমকাং ব্রদর্সকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস কে বুংথোট, এস এন দার্টিন অমদি টি ঐচ রেংসেলনা শান্নবগী ১৬, ৫৯ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি

# এম ৱাই দি এ, এ টি সী সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (টি কে দব্লিয়ু এ)না শীন্দুনা তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চত্থরিবা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা এম ৱাই দি এ সঙ্গাইয়ুম্ফম মাইরেন খুল অমদি এ টি সী সী তেন্থা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা শিমিথাংনা চনখিবা গোল ৩গী মতেংনা এম ৱাই দি এ সঙ্গাইয়ুম্ফমনা ব্রদর্স য়ুনাইটেদ এফ সী লোইতাংবু ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

শিমিথাংনা শান্নবা হৌরকপগী অহানবা মিনটতা এম ৱাই দি এগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা শান্নবগী ২শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা চনখি। ব্রদর্স এফ সীগী পেনন্দনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা সঙ্গাইয়ুম্ফমগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি। লোইতাংগী গোল ২ অদুনা তোম্বনা শান্নবগী ৩ অমদি ৩৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা এ টি সী সী তেন্থানা দ্রেস হাউস এফ সী পাৎসোইবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। তেন্থা টিমগী অমত্তা ঙাইরিবা মায় পাকপগী গোল অদু নাওবনা শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরি পি ঐচ জ্যোটিননা পাৎসোইগী সুরঞ্জয়বু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

# হুলা শিন্দম শঙগী ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর মার্সিএল আর্টসকী রিসর্চ কম ট্রেনিং সেন্টর অমা ওইরিবা হুলা শিন্দম শঙগী ৪৫শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম ঙসি কাঙবম য়ুমজাও লাইরেম্বী কাঙবম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী মনুং চন্না ইবুধৌগী মফমদা অমদি লাইওইখ্রবা ওজাশিংগী মফমদা হৈ-লৈ, মৈরা কৎতুনা য়াইফ থৌজাল নীখি অমদি হুলা শিন্দম শঙগী আর্টিষ্টশিংনা পর্ফোর্মেন্স কয়া অমসু মীয়ামদা খূদোল তৌখি। থৌরম অদুদা হুলা শিন্দম শঙগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু মহেশ্বরনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিএসননা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌবা অমদি নৌনা এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌনিংবা ক্লবশিং অমদি য়ুনিটশিংনা থা অসিগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা রিন্যুএল অমদি এফিলিএসন তৌনবা খঙহল্লক্লি।

এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি দব্লিয়ু রোমেন্দ্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোলনা মখা তারদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা ফেন্সরশিংনা এসোসিএসনদা রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লকপগা লোয়ননা রেজিষ্টর তৌহৌদবা শান্নরোয়শিংনা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসননা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ অমদি ট্রায়লদা শরুক য়াবগী খূদোংচাবা লৈরোই হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা ফেন্সিং শান্নরম্বা অমদি পামজবা মীওইশিংনা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসন অসিগী মেম্বর ওইবীনবা খঙহল্লক্লি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৭০০৫৫৭১৫১৩ নৎত্রগা ৮২৫৭৮৮৬৭৭৬ তগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।


গাঁম্চিং

# VIMIT

VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY
Konjeng Leikai Airport Road near Comprehensive School

Limited Seat

ADMISSION OPEN

Hostel Available

FOR THE ACADEMIC SESSION 2022-2023

BBA BCOM BCA

(Affiliated to Manipur University)

Prospectus / Form available during office hours on any working days

Please contact: 9612333542/8413989911/8787559635
Email-vimitimphal@gmail.com
www.vimitimphal.com

Sd/-
Dr. M. Biren Singh
Director, VIMIT,
Imphal

HL-P/3010/8/6-6/7 (alt)

HL-B/7610/8-22

# CAS Centre for Advanced Studies

No.1 in Manipur

CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

ADMISSION OPEN
2ND BATCH
FOUNDATION COURSES

Seats are Limited
First Come First Served

CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)

Special features:
- Special Concession for all Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Vision for toppers in 2023

Classes Commencing from 16th June, 2022

Morning Batch (4.00– 7.00) A.M.
Evening Batch (4.30– 7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS Available

For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal.

# GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER

G SPOKEN ENGLISH
Govt. Regd. No. 2102

Better Education, Better Life

Come and Join at anytime

YOUR KNOWLEDGE IS THE WAY TO YOUR SUCCESS

ADMISSION IS GOING ON FOR 2022

English Course Details (Sir Tajkumar)
Grammer | Vocabulary | Pronunciation | Listening | Interview Skills | Daily Conversation | Personality De-

New Classes are going on come and join at anytime, Special For Students, college students, house wives, employees, teachers, Seniors, etc.

Plz. Viz. GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER Paona Bazar, Gourahari Market 2nd Floor, Behind Polo Ground, Near Hotel Khristina between 10 am. to 3 pm.
Or Plz Contact:- 8132904426, 9089825142 Or Whatsapp on :- 9089825142
Follow us On Facebook - facebook.com/globalspokenanddotcom/

HL-B/7634/21/5-8/7 (alt)

# PENSION/ PERSONAL LOAN AVAILABLE

State Govt. / Central Govt. কী Pensioner অমসুং Service তৌবীরিবা মীওইশিংগী ওইনা Pension Loan অমসুং Service Loan খূদোংচাবা ফংবীগনি।

Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang অমসুং Samurou নচিংবা মফমশিংদসু ফংবীগনি।

## EMPLOYMENT NEWS


Thoubal, Kakching, Moirang, Nambol, Sekmai, Samurou অমসুং Imphal Branch কী ওইনা Office Asst. 2/2, Gr - V, 2 Wheeler Mechanic, Car Wash Helper 2/2 পামজৈ।

Sd/- M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli,
Imphal West # 9774495994

HL-B/7613/22/5,6-18(alt)


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 479



**Cosima Müller (1389) - Ana-Maria Bursan (1329)**
**DEM U14w 2022 Willingen GER (6), 2022.06.08**

1.e4 c6 2.d4 d5 3.exd5 cxd5 4.Bd3 Nc6 5.c3 Qc7 6.h3 Nf6 7.Nf3 e5 8.dxe5 Nxe5 9.Qe2 Bd6 10.Nxe5 Bxe5 11.f4 O-O 12.fxe5 Re8 13.Bf4 Nd7 14.Nd2 Nxe5 15.Be3 Nxd3+ 16.Qxd3 Qg3+ 17.Kd1 Rxe3 18.Qxd5 Be6 19.Qa5 Qxg2 20.Kc2 Qg6+ 21.Kc1 Rd3 22.Qe5 Rad8 23.Ne4 Bd5 24.Re1 Bxe4 25.Rxe4 Qg1+ 26.Kc2 Qf2+ 27.Kb3 Qb6+ 28.Rb4 Qc6 29.Re1 a5 30.Qxa5 R3d5 31.Qb6 f5 32.Qxb7 Qxb7 33.Rxb7 f4 34.Ree7 Rg5 35.Re4 Rf8 36.h4 Rg1 37.Reb4 f3 38.Rb8 f2 39. ...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 478 Ans. :**

42. Rxc2 Qf1+ 43. Kd2 Qe2+ The black queen attacks White's king, which is defending square e3.
43. ...Qf2+ 44. Kd1 Qf1+ 45. Kd2
44. Kc3 Qe3+ 45. Qd3 Qxf4 The black queen captures White's pawn, which was defending White's pawn. 46. Qc4 Qe3+
46. ...Qxe5+ 47. Kd3 Qxh5 48. Qe4 Bd4
47. Qd3 Bxe5+ 48. Kc4 Qf4+ 49. Qe4 Qxe4#
42. ...Qf1+ 43. Kd2 Qe2+ 44. Kc3 Qe3+ 45. Qd3 Qxf4 46. Rd2 Qxe5+ 47. Kc2 Qxb2+ 48. Kd1 Qa1+ 49. Kc2 f2 50. Rxf2 Qb2+ 51. Kd1 Qxf2 0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com